ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO

The messenger of the masses

হুইয়েন লানপাউ

ইম্ফাল ইষ্টকী জিলা পরিষদ মেম্বর সেরাম নেকেনগী লমজিং মখাদা ভলন্টিয়রশিংনা এস ও পি ঙাক্তুনা থোংজু এ সীগী কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈবা ইমুং ৫০০ রোমদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখিবা

পাউচে অসিগী ১৮শুবা লিটরেরি ক্লইজগী ৱিনর কৈশাম মেমিনা ওইখ্রে

☛ লামায় ২

এদ্যুকেসন সেক্তরদা লৈঙাক্কী মীৎয়েং চঙদ্রবদি মহৈরোয়শিংগী পুন্সি মাঙগদৌরি

☛ লামায় ৩

লম্নাই লায়েংশঙগী লায়েংমলগী মতাংদা ৱাকৎফম থম্বীয়ু : এমসু

☛ লামায় ৬

জুনিয়র ডোক্তরদা এটেক তৌবগা মরী লৈননা মীওই ২৪ ফারে

☛ লামায় ৭

ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি ভিক্টোরিয়া য়েংখোম মশামক য়াওনা কর্ফিয়ু থুগায়বশিংগী মথক্তা চথখিবা দ্রাইভতা ফাগৎলক্লবা মীওই ১০৭ লোমবু রেপিদ এন্টিজেন্ট টেষ্ট পাঙথোকখিবা

Vol. 45, Issue No. 068 | শগোলশেল, কালেনগী ২৩ নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Thursday, June 03, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

কর্ফিয়ু থুগায়বশিংগী মনুংদা মীওই ৪২ পোজিটিভ ওইরক্লে

ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্নবগীদমক ঙরাংদগী এগ্রেসিভ মাস টেষ্টিংগী দ্রাইভ হৌখ্রবা মতুং লায়না অসি শন্দোরকহন্দনবগীদমক থমজিল্লক্লিবা কর্ফিয়ুগী অথিংবা থুগায়দুনা থোরকপা মীওই ১৭৬ রোম ফাদুনা রেপিদ এন্টিজেন্ট টেষ্ট তৌবদা মীওই ৬ পোজিটিভ ওইরক্লে হায়রি।

হেল্থ সর্ভিসেস অমদি পুলিসকা খুৎশম্নদুনা ঙসি কোনুং মমাঙ অমদি

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

ৱাৰ্কশোপশিং হাংবা য়াগনি

ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্কী হোম দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী চীফ সেক্রেটরিনা ঙসি থোরকখিবা চেরোল অমগী মতুংইন্না কর্ফিয়ুগী অথিংবা লৈরিবৈংগী মনুংদা অকনবা চেকশিন থৌরাং অমসুং কোভিদ প্রোটোকোলশিং ঙাক্লগা ট্রক, পেট্রোল টেঙ্কর অমদি এল পি জি বুলেটনচিংবগী ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল এরিয়াদা লৈবা ৱাৰ্কশোপশিং নুমীৎ খুদিংগী অয়ুক পুং ৯ দগী নুংথিল পুং ৩ ফাওবা হাংবা য়াগনি হায়রি। লোয়ননা থাঙ্গাল বজার অমসুং অতৈ

...মখা লামায় ৩ কলম ২

লেপ্তুনা দোনেট তৌনরি

ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচ এন এস): চীফ মিনিষ্টরগী কোভিদ-১৯ রিলিফ ফন্দদা লেপ্তুনা দোনেট তৌনরকপশিংগী মখা তারকপদা রিমসকী দিরেক্টরনা মহাক্কী ষ্টাফ ফেকল্টি, ষ্টাফ অমসুং মহৈরোয়শিংগী তোলোপ তঙ্খায়গী শেনফম লুপা ১০,০০,০০০, সেরিকলচর দিপার্টমেন্ট অমসুং ভেরাইটি ট্রেদস কমপ্লেক্সকী মহেশকুমার কলানা লুপা লাখ ৫/৫, নম্বোলগী এস কুল্লা ৱিমেন্স কোলেজনা লুপা ৩,৬৭,০৬৪, কংলৈ ট্রেদিংনা লুপা ১,০০,০০০, খাঙবোক্তগী ডা. কে ঐচ অকোইসনানা লুপা ১,০০,৫০০, ককচিংদগী এম বিমোলনা লুপা ২০,০০০, বি জে পিগী হিল এদভাইজর লুংফাকবৌ ন্যুমাইনা লুপা ৫০,০০০ দোনেট তৌখ্রে হায়রি।

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৫.০২ °C

খ্বাইদগী ঈংবা ১৫.৭৯ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৪.২২

নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.২৫

নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০০

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

HL Poll

Q: Covid-19 gidamak tongan tonganba laining chatpasingna joint prayer tougani haribasina kannaba piba ngamgani khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Anouba Black Funguski laina asidagi ngakthoknaba leingakna panthadana thabak loukhatfam thoktabara ?

Yes 92% No 8%

অস! লোইরেহে!

- ইতাউ কোরোনা ঐসু মণিপুরদা লেঙলক্লেহে।
- ꯏꯇꯥꯎ ꯀꯣꯔꯣꯅꯥ ꯑꯩꯁꯨ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯗꯥ ꯂꯦꯡꯂꯛꯂꯦꯍꯦ꯫



- ঈশ! মিং তাজবগা লেঙবীরকপনা হেক্তা হাল্লি, ৱেলকম, ব্লেক ফঙ্গস !
- ꯏꯁ! ꯃꯤꯡ ꯇꯥꯖꯕꯒꯥ ꯂꯦꯡꯕꯤꯔꯛꯄꯅꯥ ꯍꯦꯛꯇꯥ ꯍꯥꯜꯂꯤ, ꯋꯦꯂꯀꯝ, ꯕ꯭ꯂꯦꯛ ꯐꯪꯒꯁ!

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী লেন্দমার্ক জজমেন্ট

বিরেন, বির অমসুং সুরচন্দ্রনা দিসক্কালিফিকেসন ওর্দর শীংনরকখিবা পিটিসনশিং হায় কোর্টনা দিসমিস তৌখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০২(ঐচ এন এস): হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা ঙসি লাউথোকখিবা লেন্দমার্ক জজমেন্ট অমদা মার্চ ৪ অমসুং ৮, ২০১৭তা থেঙ্খাং অনী থোক্লা পাঙথোকখিবা ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলীগী মীখলদা কোংগ্রেসকী টিকেটতা কারক্লগা লৈঙাকসিবু লুচিংলিবা বি জে পিদা চোংশিনখিবা এম এল এ তরেৎকী মনুংদা য়াওখিবা ৮-লম্লাই এ সীগী এক্স-এম এল এ ক্ষেত্রিময়ুম বিরেন, ২৯-কুম্বী এ সীগী এক্স-এম এল এ সনসম বির অমসুং ৩৭-ককচিং এ সীগী এক্স-এম এল এ য়েংখোম সুরচন্দ্রনা মখোয়বু এম এল এ ওইবদগী দিসক্কালিফাই তৌখিবা স্পিকর ত্রাইব্যুনেলগী ওর্দরবু শীংনরদুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকখিবা পিটিসন পুম্নমক কোর্ট অসিনা দিসমিস তৌখ্রে।

তোঙান-তোঙানবা এ সীশিং অসিগী ইলেক্তেদ এম এল এশিং ওইরম্বা এক্স-এম এল এ অহুম অসি মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলীদা কনষ্টিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী টেন্থ সেদ্যুল্দগী মখাদা লিংলিবা স্পিকর ত্রাইব্যুনেলনা মখোয়গী মথক্তা দিসক্কালিফিকেসন তৌবীয়ু হায়দুনা ফাইল তৌরকখিবা কেসশিং খন্নরবা মতুংদা ইলেক্তেদ এম এল এ ওইরম্বা মখোয় অহুমবু কনষ্টিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী আর্টিকেল- ১৯১ অমসুং টেন্থ সেদ্যুল্দগী পেরা-২ (১)(এ)না পীবা প্রোভিজনশিংগী মতুংইন্না এম এল এ ওইবদগী জুন ১৮, ২০২০দা দিসক্কালিফাই তৌখিবনি। লোয়ননা স্পিকর ত্রাইব্যুনেলগী ওর্দর অদুনা চৎলিবা ১১শুবা লেজিসলেটিভ এসেম্বলী অসিগী মতম লৈরিবা ফাওবা মখোয়গী দিসক্কালিফিকেসন ওর্দর অসি চৎনগনি হায়দুনা লাউথোকখিবনি। লোয়ননা নুমীৎতুমক্তদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলীগী সেক্রেটরিনা থোকখিবা বুলেটিন পার্ট-২গী তোঙান-তোঙানবা নম্বরশিংগী মতুংইন্না লম্লাই, কুম্বী অমসুং ককচিং এ সীশিং অসিগী সিট হাংলে হায়দুনা লাউথোকখিবনি।

অদুম ওইনমক দিসক্কালিফিকেসন মায়োক্নরবা এক্স-এম এল এ ক্ষেত্রিময়ুম বিরেন (৫৯), অপোকপা লৈখিদ্রবা কে এস ঐচ পিশক, সবুংখোক; সনসম বির (৭৪), অপোকপা লৈখিদ্রবা এস মেঘা, ৱাঙু অহল্লুপ লৈকায় অমসুং য়েংখোম সুরচন্দ্র (৬৯), অপোকপা লৈখিদ্রবা ৱাই য়াইমা, ককচিং তুরেল ৱাংমদা লৈবগী মায়কৈদগী স্পিকর ত্রাইব্যুনেলনা মখোয় অহুম্ব এম এল এ ওইবদগী দিসক্কালিফাই তৌখিবগী ওর্দরশিং অদুবু শীংনরদুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা মখোয় মশা-মশামক্কা পিটিস্নরশিং ওইদুনা তোঙান-তোঙানবা সিভিল রিট পিটিসনশিং ফাইল তৌরকখিবনি।

কে এস ঐচ বিরেনগী মায়কৈদগী ফাইল তৌরকখিবা রিট পিটিসন (সিভিল)শিংনা নম্বর-৩৩২ ওফ ২০২০, ৩৬০ ওফ ২০২০ অমসুং ৩৬১ ওফ ২০২০নি। পিটিস্নর এস বিরগী মায়কৈদগী ফাইল তৌরকখিবশিংনা ৩৩১ ওফ ২০২০, ৩৬২ ওফ ২০২০ অমসুং ৩৬৩ ওফ ২০২০ নি। অদুগা ৱাই সুরচন্দ্রগী মায়কৈদগী মহাকপু দিসক্কালিফিকেসন তৌবগী ওর্দর অদুবু চেলেঞ্জ তৌরদুনা ফাইল তৌরকখিবা রিট পিটিসন (সিভিল) অদুগী নম্বরনা ৩১৬ ওফ ২০২০নি।

পিটিস্নর অহুমগী সিভিল রিট পিটিসন পুম্নমক হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জষ্টিস লানুসুংকুম জামির অমসুং জষ্টিস অহন্থেম বিমোলগী দিভিজন বেঞ্চনা লৌখৎতুনা খন্নখি। কোর্টনা মেট্টরশিং অসি খন্নরকপদা কে এস ঐচ বিরেন, এস বির অমসুং ৱাই সুরচন্দ্রগী মায়কৈদা সিনিয়র কাউন্সেল ঐচ এস পাওনম অমসুং কাউন্সেল এস গুনবন্ত মৈতৈনা লেপখি।

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

কোভিদ-১৯ পেন্দমিক লোইশিনহনবীনবা জোইন্ট প্রেয়র পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচএনএস): লাক্লিবা থা অসিগী ৭কী অয়ুক পুং ১০ তারকপা মতমদা ষ্টেট অসিগী পুৱারীগা শাগোন্নরক্লিবা কংলাগী নোংচুপ থংবা সনথোংদা লাইনিং লম্বেল পুম্নমক্কী ওইবা জোইন্ট প্রেয়রগী থৌরম অমা পাঙথোক্তুনা কোভিদ-১৯ লোইশিনহনবীনবা অমসুং পেন্দমিক অসিদগী মীপুম খূদিংমক কনবীনবগী থৌনি থৌরম অমা পাঙথোক্কদৌরি।

ৱারেপ অসি ঙসি চীফ মিনিষ্টরনা মহাক্কী সেক্রেটরিয়েটতা মীয়ামদা কোভিদ-১৯গী মরমদা হেন্না ৱাখল তাহন্নবগী মতাংদা তোঙান-তোঙানবা রিলিজিয়স ওর্গনাইজেসনশিংগী লুচিংবশিংগা উনদুনা খন্ন-নৈনখিবা মীফম অমনা লৌখিবা ৱারেপনি।

রিলিজিয়স লিদরশিংগা উনবা অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা ষ্টেট অসিদা হিদাক-লাংথক, ওক্সিজেন, খুৎশু-খুৎলায়শিং অমদি মেনপৱারনচিংবা ৱাৎপনা মরম ওইরদুনা কোভিদ-১৯দগী মীওই অমত্তা শিহন্দনবগীদমক অঙন্বা পান্থৈশিং পুথোক্তুনা হোৎনরি। পেন্দমিক অসিগী মতাংদসু ঙল্লিবমখৈ মীয়ামদা এৱ্যের্নেস পীবগা লোয়ননা এস ও পিশিং শোয়দনা ঙাকহন্নবগী থবকশিংসু লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অকন্নবা মওংদা পায়খৎলি হায়খি। মসিগীদমক মীয়াম ৱাখল তাহনবদা রিলিজিয়স বোদিশিং অমসুং লিদরশিংনা লৌগদবা থৌদাংশিংগী মতাংদা মীফম অসি পাঙথোকপনি হায়খি। হায়রিবা লাইনিং লম্বেলগী য়াওনা লুচিংবশিং অসিনা মতম চানা টেষ্ট তৌথোকপা অমসুং হিদাক কাপথোক্তুনা অঙনবা মতমদা লায়েং চথবগী মথৌ তারকপা অমদি এস ও পিশিং ঙাক্লা চৎপগী মরুওইবশিং অদুদা নত্তনা মীয়াম ৱাখল তাহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরক্কনি। অসিগুম্বা মখলগী এৱ্যের্নেস অসি চর্চ, মোক্স অমসুং লাইশঙশিংগী খুথাংদা শন্দোকপা ঙমগনি হায়নসু ফোঙদোকখি। মরম অসিনা ঙসিগী মীফম অদুনা পুন্না খুৎশম্নদুনা হোৎনমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈরকপদগী থা অসিগী ৭কী অয়ুক পুং ১০ দা কংলাগী নোংচুপ

...মখা লামায় ৩ কলম ৫

মমতা বেনর্জি ফম থাদোকউ : চীফ মিনিষ্টর

ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচ এন এস): ৱেষ্ট বেঙ্গলদা ইলেক্সন মমাঙ অমসুং মতুংদা তৃণমুল কোংগ্রেসকী লুচিংবী মমতা বেনর্জিগী লমজিং মখাদা চথখিবা মীওৎ-মীনৈ লাইবক থীবনি হায়রদুনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মালেমদা খ্বাইদগী চাউবা দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অসিনা চাউথোকচরিবা অসি ৱেষ্ট বেঙ্গলগী থৌওং অসিনা মরম ওইরগা ঈকায়বা নংহল্লে হায়বগা লোয়ননা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা প্রসিদেন্ট রুল থমদুনা পারা অমা তন্থীবা মতম ওইরে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি বি জে পি মণিপুর প্রদেশনা শীন্দুনা নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা পার্টি অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা লৈবাক পুম্বগী ওইনা ইলেক্সনগা মরী লৈননা চথখিবা থৌওংশিংগী মতাংদা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুথাংদা ফোঙদোকখিবনি। চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক অসি চহী ৭ মপুং ফারে। অদুবু ঙসি ফাওবদা লৈবাক অসিগী মফম অমত্তদা হ্যুমেন রাইটস ভাইওলেসনগা মরী লৈনবা কেস অমত্তা লৈখিদ্রি। অদুবু য়াম্না লাইবক থীবা মওংদা হন্দক্তা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা পাঙথোকখিবা ষ্টেট অদুগী জেনরেল এসেম্বলী মীখলদা তৃণমুল কোংগ্রেসকী লুচিংবী মমতা বেনর্জিগী মীৎয়েং মখাদা পার্টি অসিনা কাদবা য়াদে, পার্টি অসিগী লৈঙাক্লোন লৈতবা য়াদে হায়বা ৱাখল্লোন্দা মীখল মমাঙ অমসুং মীখল লোইরবা ফাওবদা মীচম কয়াগী পুন্সি মাঙহনখিবা, নুপী ওইবী কয়াগী ঈকায় খুম্নবশিং লম্বী-লমখাংদা মাঙহনবীখি। তৃণমুল কোংগ্রেসতা নমদুনা ভোট থাদনবা মীওই কয়াদা ফু-চৈবনচিংবা তৌরকপসি ঐখোয় পুম্বনা খঙনরবা, উনরবা ৱাফমনি হায়খি।

লুচিংবী অসিনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমদি হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ য়াওনা বি জে পিগী

...মখা লামায় ৩ কলম ৫

রিমস অমসুং জেনিমসকী মায়কৈদগী হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ওক্সিজেনগী অৱাৎপা লৈরি হায়রক্লে

ইম্ফাল, জুন ০২(ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী সেকেন্দ ৱেভনা পীরকপা খুদোংচাদবশিং মায়োক্নবগীদমক মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ষ্টেট অসিদা ওক্সিজেন সপ্লায় অমসুং মেদিকেল ফেসিলিটিশিংগী থবকশিং হেনগৎহন্নবগীদমক তোঙান-তোঙানবা থৌরাংশিং পায়খৎলক্লগাসু পেন্দমিক অসি লাম্থেংনবগী থবক্তা ইস্যু খরদি হৌজিক ফাওবদা সোল্ভ তৌদনা লৈরি হায়বগা লোয়ননা রিজনল ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) অমসুং জৱাহরলাল নেহরু ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস)কী মায়কৈদগী হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা পীখৎলকখিবা রিপ্লায় এফিদেবিটশিংদা হৌজিক ফাওবদা লায়েংশঙ অনীসিদা ওক্সিজেনগী অৱাৎপা লৈরি অমসুং হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসিনা এদমিট তৌরকপা কোভিদ পেসেন্টশিংনা মথৌ তারকপদা পীবা ঙম্বগী ফীভমদা লৈত্রি হায়না ফোঙদোরকখিবদগী হায়

কোর্টকী মায়কৈদগী হীরম অসিগী মতাংদা খুদক্তা মীৎয়েং চঙগদবনি হায়খ্রে।

ৱাফম অসি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা উরিপোক তখেল্লম্বম লৈকায়দগী নরেশ মাইমোম কৌবা মীওই অমনা ফাইল তৌরকখিবা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) নম্বর-২৬ ওফ ২০২১গী ঙসি মখা তানা চথখিবা হিয়রিংগী মতুংইন্না পীখিবা কোর্ট অসিগী ওর্দরদা ফোঙদোকখিবনি। পি আই এল অসিগী পিটিস্নর অসিনা কোর্টতা প্রেয়র তৌরকখিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা মণিপুরগী কোভিদ-১৯ পেসেন্টশিংগীদমক মতিক চানা ওক্সিজেন থম্বগা লোয়ননা হোস্পিটালশিংদা ওক্সিজেন সপ্লায় তৌবগী থবক শরক শীহনবীগনু। থৌরাং অসিগা লোয়ননা মণিপুরগী হোস্পিটাল পুম্নমক্তা ইন্টেন্সিভ ক্যের য়ুনিট (আই সী য়ু)গী ফমুং মরাং কায়না লৈহনবীয়ু অমসুং অহেনবা ওক্সিজেন প্লান্টশিং লিংখৎপীয়ু হায়বনচিংবা হায়জরকখিবনি।

মহাক্কী পি আই এল অসিগী রেস্পোন্দেন্টশিংনা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়রগী সেক্রেটরি, মণিপুর লৈঙাক্কী সেক্রেটরি (হেল্থ), হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র, রিমস অমসুং জেনিমসকী দিরেক্টর অমদি মণিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পেনি লিমিটেদ (এম এস পি দি সী এল)গী মেনেজিং দিরেক্টরনি। পিটিসন অসি হায় কোর্ট

...মখা লামায় ৩ কলম ২

এম এল এ জয়ন্তকুমারবু এন পি পিগী ৱর্কিং প্রসিদেন্ট খনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচ এন এস): কুমজা ২০১৭তা পাঙথোকখিবা ১১শুবা মণিপুর ষ্টেট লেজিসলেটিভ এসেম্বলীগী মীখলদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ১২-কৈশামথোং এসেম্বলী কনষ্টিট্যুএন্সিদগী নেসনল পিপলস পার্টি (এন পি পি)গী টিকেটতা কারককখিবা এম এল এ লাংপোকলাকপম জয়ন্তকুমারবু পার্টি অসিগী ৱর্কিং প্রসিদেন্ট ওইনা খনখ্রে।

মহাকপু পার্টি অসিগী ৱর্কিং প্রসিদেন্ট ওইনা খনবগী এপোইন্টমেন্ট ওর্দর অমা ঙসি পার্টি অসিগী প্রসিদেন্ট এন কাইসিনা থোকখ্রে।

...মখা লামায় ৩ কলম ২

পোজিটিভ কেস ৭২৯ থেংনখি, মীওই ১৪ লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, জুন ০২(ঐচ এন এস): ঙরাং লম্ফেলপাৎতা লৈবা হেল্থ দিরেক্টোরেটতা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওইনা থা অসিগী ১৫ ফাওবা কোভিদ-১৯গী চথগদবা এগ্রেসিভ মাস টেষ্টিং হৌদোক্তুনা মসিগী থবক হৌখ্রবসু সেকেন্দ ৱেভ অসিনা পোজিটিভ ওইহল্লকপা মীওইশিংগী মশীং ঙরাংদগী ঙসিনা হন্থরকপগা লোয়ননা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা শিহনবা মীওইশিংগী মশীংসু হন্থরকখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুং ৫ ফাওবগী মনুংদা লৈঙাক্কী কোভিদ-১৯ কন্মন কন্ট্রোল রুমনা থোরকখিবা চেরোল অমগী মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা কোভিদ-১৯গী পোজিটিভ কেস মশীং ৭২৯ থেংনখি হায়রি। মীওইশিং অসিগী মনুংদা ৭২৮না জেনরেল পোপ্যুলেসন্দগীনি। অদুগা মীওই অমনা সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সকী পর্সনেলনি হায়রি। জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ওইনা থেংনখিবা অপূনবা ঙসিগী পোজিটিভ কেস ৭২৮ অসিগী মনুংদা নুপা ৩৫৩ নি অদুগা নুপীনা ৩৭৫ নি। পোজিটিভ কেসশিং অসি থেংনখিবা টেষ্টিং সেন্টরশিংনা রিমসতা ৩৯, জেনিমস ৩২, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিংদা ৪১৪ অমসুং অতোপ্পা প্রাইভেট টেষ্টিং সেন্টরশিংদনা কেস ২৪৪ থেংনবনি হায়রি। পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অসিনা ইম্ফাল ইষ্টতগী ১০৮, ইম্ফাল ৱেষ্ট ৩১১, থৌবাল ৭৯, বিষ্ণুপুর ৫২, ককচিং ২৬, উখ্রুল ৬, চুড়াচান্দপুর ৯৩, চান্দেল ৪, সেনাপতি ১০, তমেংলোং ২০, কাংপোকপী ৪, নোনে ৭ অমসুং জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ৮নি হায়রি। মখোয়গীদমক মাঙজৌননা লৌখৎফম থোকপা কন্টেনমেন্ট অমসুং কন্টেক্ট ট্রেসিংনচিংবগী থবক

...মখা লামায় ৩ কলম ২

ইম্ফাল ৱেষ্টকী মফম ১৭তা ঙসি মাস টেষ্টিং পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচএনএস): ঙরাং হৌদোকখ্রবা মতুংদা থা অসিগী ১৫ ফাওবদা চথগদবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী কোভিদ-১৯গী এগ্রেসিভ মাস টেষ্টিংগী থবকশিং হয়েংগী ওইনা তোঙান-তোঙানবা মফম ১৭তা পাঙথোক্কনি হায়রি।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর টি ঐচ কিরনকুমারনা থোরকখিবা চেরোল অমগী মতুংইন্না হয়েং মাস টেষ্টিং পাঙথোক্কদবা মফমশিংদি উচিৱা লৈরক অচৌবগী ওইনা উচিৱা হিদেন অচৌবা লম্পাক, ৱাঙ্গৈই মখা লৈকায়গী ওইনা ৱাঙ্গৈই মখা লৈকায় কম্যুনিটি হোল, লম্বাল মখা লৈকায়গী ওইনা লম্বাল প্রাইমারী স্কুল, লম্বাল অৱাং লৈকায়গী ওইনা আর দি ৱাই সীগী বিল্ডিং, খুরখুল মখা লৈকায়গী ওইনা পঞ্চায়ট ঘড়, খোংহাম্পাৎ অৱাং লৈকায়গী ওইনা খোংহাম্পাৎ অৱাং লৈকায় কম্যুনিটি হোল, পাউনা বজারগী ওইনা মফম অসিগী জেন মন্দির, কৈশামথোং হোদাম লৈরক্কী ওইনা হোদাম লৈরক কম্যুনিটি হোল, তেরা লৌক্রাকপম লৈকায়গী ওইনা নৈনশঙ ক্লব কম্যুনিটি হোল, খুম্বোংগীনা আই দব্লিয়ু এস সী কম্যুনিটি হোল, খাইদেমগীনা ঙানুলৈমা য়ুথ দিভেলপমেন্ট কম্যুনিটি হোল, কামোংগী ওইনা মৈস্নাম পব্লিক হায় স্কুল, তাওবুংখোক্কী ওইনা

...মখা লামায় ৩ কলম ১

এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিশিংদা চপ মান্নবা চাকথুং ফংহনগদবনি : কে সী পি-এম সী (প্রোগ্রেসিভ)

ইম্ফাল, জুন ০২: কোভিদ-১৯গী লাম্থেং অসি অহানবা অমদি অনীশুবা ৱর্ল্ড ৱার অনীদগীসু হেন্না শাথিবা, পোথাবা নাইদনা নোংম-নোংমগী কোরোনা ভাইরসনা তাইবং মীওইবা ঐখোয়গী চেংজেল্লক্তা লান দারক্তুনা মমল য়াল্লবা মীওই কয়াগী থৱায় খাঙুথক্তা পীখম্নখ্রে। মখা তানা শকলোৎপা হিংচাবা অমগুম ভাইরস অসিনা থৱায় লৌনবগীদমক লান দারকপা লেপত্রি হায়বসি কংলৈ মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবা লুচিংবশিং অমদি লৈবাক মীয়ামগী সোসল ৱর্কর খূদিংমক্না মমুৎ তানা খঙজিনফম থোকই হায়বা ৱাফম কংলৈপাক কম্যুনিষ্টি পার্টি- মিলিটরি কাউন্সীল (প্রোগ্রেসিভ)না কম্যুনিষ্ট মীয়ামগী মহুৎ শীল্লদুনা ফোঙদোকচরি হায়রি।

ৱাফম অসি লালহৌলুপ অসিগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি মহৈখোম্বা মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়বনি। চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, তমথীরবা শকলোৎপা হিংচাবা ভাইরস অসিগী খয়াৎতা লংশিন্নবা মীয়ামগী থৱায়শিং কনগনি হায়না লাম্থেং চঙশিল্লিবা মরুওইনা ষ্টেট লৈঙাক্কী লুচিংবনা লমদম অসিগী ওইরক্লিবা কোভিদকী ফীভমগী লাল্লোংশিং অসিগী মহাও অসি মীয়ামদা নোংম-নোংমগী খয়াক খাথুম্নবা ওইহল্লক্তুনা মীয়ামগী পুন্সি তংদু-লৈতাহনবা ঙমদবগী মমি অমা চাউনা তারক্লি হায়রি। অসিগুম্বা য়েমৌনবা মানবা মহাও অসিনা মরম ওইরগা তংদু-লৈতাদ্রবা কংলৈচাশিংগী ৱাখল্লোন্দা কোরোনা ভাইরসনা মোংফমদা খুৎ খৎলগা কৌরক্লব্রা হায়বগী অকিবা ৱাহং কয়ানা কংলৈ লমদমদা নিল্লক্লে হায়রি। লালহৌলূপ অসিনা মীয়ামগীদমক লৌখৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাং অঙন্বশিং পাংশিনদুনা লাক্লি। অদুবু লুরিবদি মীয়ামগী লৈঙাক অমা লৈরিবা অসিনা শেরান্নবা মওংদা কোভিদ পোজিটিভ পেসেন্ট রেকোর্দশিংগী মরুমদা পোলিটিকেল দ্রামাগী থৌওং কয়া চথদুনা মানা মানা থোকপা কুশি-রাশিদা মীয়াম মাঙদা উৎ চাইদুনা মীচাদগী ইচানা হেন্না মবুক থলহন্দুনা হরাওগনি হায়বগী লাল্লোং অমদা চথদুনা লৈরকপা অসিনি হায়রি। মসিগী ময়েক লায়রবা খুদম হায়ববু চেঙয়েন (সুপরফাইন চেঙ) য়েনবদা খুৎচাউ থানরকপা, এম এল এ লৈতবা এ সী অমদি লৈঙাক পায়বদা য়াওদবা এম এল এ খরগী এ সীশিংদনা চেঙ শুনা পীদে হায়বগী

...মখা লামায় ৩ কলম ৬

রিমসতা আই সী য়ুগী য়াওনা কোভিদ পেসেন্টশিংগী ফমুং মশীং হেনগৎহনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচ এন এস): নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী চাউবা মেদিকেল ইনষ্টিট্যুট অমসু ওইরিবা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়রনা চলাইরিবা রিজনল ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস)তা কোভিদ-১৯ পেসেন্টশিংগী ফমুং অমসুং লায়েংশঙ অসিগী ইন্টেন্সিভ ক্যের য়ুনিট (আই সী য়ু)গী ফমুং মশীংশিং হেনগৎহল্লে হায়দুনা দিরেক্টর প্রোফেসর এ শান্তনা লাউথোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি দিরেক্টরনা লায়েংশঙ অসিগী সেকেন্দ ফ্লোরদা লৈবা ন্যুরোগী আই সী য়ু মনাক্তা লায়েংশঙ অসিগী ষ্টাফশিংগী অনৌবা কেন্টিন অমা হাংদোকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অসিদা দিরেক্টর প্রোফেসর এ শান্তনা মখা তানা হায়, রিমসকী হান্নদগী লৈরক্লিবা কোভিদ-১৯ পেসেন্টশিংগী ফমুং মশীং ১৪৩দগী হৌজিক ২২৪দা হেনগৎহল্লে। অদুগা কোভিদ পেসেন্টশিংগীদমক আই সী য়ুগী বেদ ১২ খক লৈরম্বা অদুসু ৪০দা হেনগৎহনবগা লোয়ননা

...মখা লামায় ৩ কলম ৬

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫